HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Vol. 48, Issue No. 091 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, July 02, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# এম পি অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মণিপুরগী ৱাফম পুথোরকপদা পার্লিয়ামেন্ট নীকখ্রে




**ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৪দগী চথরক্লিবা ১৮শুবা লোক সভাগী ঙসি তরুকনি শুবা সেসনদা সভাদা প্রসিদেন্টনা পীখিবা এদ্রেস খন্নদুনা থাগৎপগী 'মোসন ওফ থেঙ্কস' তা আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী কম্মন কেন্দিদেট ওইখিবা কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মণিপুরগী ৱাফম পুখৎলকপদা হাউসকী মেম্বরশিং খংপ্রেক খংবদা নত্তনা পার্লিয়ামেন্ট নীকখ্রে।

ঙসিগী সভাদা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না মিনট ৯ লোম ৱা ঙাঙলক্লগা ঙসি নুমিদাং পুং ১১.৫৮দা হাউস অসিবু হয়েং অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবা এদজোর্ন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না লানগী চৈথেং নংলিবা মণিপুরগী মতাংদা প্রসিদেন্সিএল এদ্রেসতা ৱাফম অমত্তা পনখিদবা, নরেন্দ্র মোদিনা ৱা অমত্তা ঙাঙদনা লৈরকপবু মহাক্না থন্মোয় শোক্না পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চহী অমা হেন্না লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা ফীভম চাদনা লৈরক্লিবশিংগী অৱাবা হকথেংননা য়েংলনবা সভাগী পূক্নিং চিংশিনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, প্রসিদেন্টগী এদ্রেসতা মণিপুর পল্লমদবা হায়বসি ইচম চৎপা নত্তে, নেসনল কন্সিয়সনেস অমা শাগৎপদা মীয়াম য়াওহন্দবগী মচৎ অমা ওইনা উই। মণিপুরদা হৌখিবা চহী ১ হেনবসিদা মীওই লিশীং ৬০ হেন্না ফীভম চাদনা রিলিফ কেম্পতা ৱানা লেল্লি। ফীভম অসি ইন্দিয়ন সব কন্টিনেন্ট পার্টিসন তৌবা মতমদা তৌখিবদুগা খেন্নদে। মীওই লিশীং ৬০ হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌবা হায়বসি ফাগি নত্তে। মসিগী মথক্তা মীওই ২০০ হেন্না শিখ্রবা অদুগা সিভিল ৱার মানবা ফীভমদা লমদম অসিগী মীয়াম অমা খূৎলায় পায়নদুনা হাৎন-শুনবা অমদি খুল ঙাকপগী থবক চত্থরিবনি। অসিগুম্বা মণিপুরগী অৱাবা ফীভমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না চহী অমা হেনবসি তূমিন্না য়েংদুনা লৈরি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# জিরিবাম : কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈগী য়ূমশিং পোত্থা-পোত্থা মৈ থারি

## সোইবম সরতকুমার হাৎখিবা মীহাৎপশিং ফাগদবনি হায়দুনা দিবোং খুনৌ কম্যুনিতি হোলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে




**ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৬কী নুংথিলদা জিরিবাম সোরোক অতিংবী খুনৌদগী সোইবম সরতকুমারবু কুকি টেররিষ্টশিংনা তমথীবা মওংদা হাৎখ্রবা মতুংদগী জিরিবামদা লৈবা মীতৈগী য়ূমশিং কুকি টেররিষ্টশিংনা পোত্থা-পোত্থা মৈ থাদোরকপগী মনুং চন্না ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদসু বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা জকুরাধোর পার্ট টুদা লৈবা হৈস্নাম প্রেমচান্দ কৌবা মীওই অমগী য়ূম মৈ থাদোক্লল্লে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# বি জে পি ওনখ্রবা জে দি-য়ুগী এম এল এ ৫গী দিসক্বালিফিকেসনগী মতাংদা হায় কোর্টনা ওর্দর পীখ্রে

## এম এল এশিংগী দিসক্বালিফিকেসনগী পিটিসনবু টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা 'ৱিদিন এ রিজনেবল পেরিয়দ ওফ টাইম' দা ৱায়েল চত্থনবা স্পিকরদা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা সিট ৬ ফংখিবা জে দি-য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী অপূনবা এম এল এ ৬কী মনুংদগী ৫না বি জে পিদা ওনশিনখিবগীদমক মখোয়বু কন্সটিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়বা রিট পিটিসন অমগী ৱায়েলদা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা স্পিকরদা এম এল এশিং অসিবু দিসক্বালিফিকেসন তৌগদবনি হায়রকপা পিটিসন অদু টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লোগী মতুংইন্না 'ৱিদিন এ রিজনেবল পেরিয়দ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


For Special Lok Adalat scheduled to be held from 29th July to 3rd August, 2024 by Hon'ble the Supreme Court of India a

PRE-LOK ADALAT

will be held for cases pending before Hon'ble the Supreme Court of India

Venue

ADR Centre, Lamphel Court Complex, Lamphelpat

Pre-Lok Adalat Dates

7th July, 2024 (Sunday) from 11:00 am

Organised by:
High Court of Manipur &
Manipur State Legal Services Authority

For more information, kindly contact:
+91-9436239666

HL-B/8889/02







Program for Distribution of benefits to more than 4 lakh beneficiaries worth more than Rs. 300 crores under various Government Schemes and Launch of New Schemes & Programs

"With focus on Internally Displaced Persons"

Distribution

"Chief Minister's Entrepreneurship Scheme (CMESS) for Relief Camp Inmates: Special Package for Start-ups for employment of Internally Displaced Persons"

- PMKSY WDC 2.0
- Start Up Manipur/ CMESS/ CGTSME
- Seed Distribution
- Economic and Social Development Program
- RKVY
- PMKSY PDMC
- Soil Health and Fertility
- Rainfed Area Development
- NFSM Oilseed
- MOVCDNER - Chak Hao
- Permanent Housing
- MOVCDNER - Millets
- Chief Ministergi Artistshingi Tengbang
- College Students Rehabilitation Scheme
- Permanent Housing
- Distribution of Horticulture Seeds and Saplings
- Financial Assistance for Education of Children
- NULM
- PM SVANidhi
- PMAY Urban
- Tablets for Teachers in Primary Schools
- 1 lakh per affected family
- One Time Special Assistance *(additional round)*
- PM Van Dhan Yojana
- National Rural Livelihood Mission
- SVEP (Start-Up Village Entrepreneurship Program)
- PMAY Grameen
- Hailstorm Relief
- Flood Relief
- CM's Yaipha Tengbang Scheme
- Chief Minister's Widow Pension Scheme
- NSAP (National Social Assistance Program)
- Chief Minister's Shotharabasinggi Tengbang
- Distribution of Aids and Appliances
- Manipur Old Age Pension Scheme
- Sewing Machine Distribution
- Financial Assistance to Women Societies
- PMJAY
- Appliances for Physically Challenged Persons
- Incentive to Artisans
- Backyard Poultry Scheme
- Loktak Livelihood Mission
- Computer Units for Schools
- CMHT

Launching

- Product Catalogue Launch
- Launch of CM Yarn Scheme *(including Muga Silk buyback)*
- Revised Comic Text Book
- Launch of 'Special Package to Successful Start-ups for Employment of IDPs in Manipur'
- Sportspersons Livelihood Guarantee Scheme Launch
- Flag off of 33 Mobile Veterinary Ambulance

Chief Guest

N. Biren Singh
Chief Minister, Manipur

Venue: City Convention Centre | 3rd July, 2024 (Wednesday)

HL-B/8890/02